থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লো - লৈতবা লৈবাক - লো লেস লেন্দ!

চপ-চাবা তারিখ অমদি নুমিত্তুদি কাউখরে, ইশিন্দুনা থমহৌদবনা। ইকুই কুইখিবদি নৎত্রি। মণিপুরদা 'ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম চৎনরগনি' লাউথোকখ্রবা মতুং নুমিৎ নীনি-হুমনিগী মনুংদুদা থোকখিবা থৌদোক অমনি। অয়ূক অঙনবা, নোংঙাল্লমদাই খুদিং নাগামপালগী চা-থকফমদা পূনবা 'মোর্নিং-ৱাকিং পার্টি'দু ৱারীগী ইস্যু লৈতদুনা, চা-য়োনবা বিহারি মচিন-মনাওদুগা ৱারী শানরকই ... ঙরাং, মাগী চা-য়োনফম থিংলুবদুগী মরমদি ইম্ফালগী ধর্ম্ম-শালা মনাক্তা ইম্ফাল-থানা'না শীন্দুনা 'মণিপুরদা লৈবা মীতোপশিংদা ইন্নর-লাইন পার্মিট পীবগী থৌরম অদু য়াওবা চৎলুবনি ... শাংলবা মী পরেং (ক্যু) নি, য়ামখ্রবা মীয়ামনি, নুমিৎ কয়ানি চংখিনি ... মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা, লমদমসিগী ঈরাং খঙবনা, মথৌ তৌরিবা সিফাইদুনা পেন্নবা খরা তৌরম্লগা থুনা হল্লকপগী ৱারী। শেল মশীং ফাওবা পন্নখিবনি, পাউদমসিদা ইজদ্রে। লম্বীগী চিদাইদা লম্বী চৎপা/গাড়ী থৌবা মীশিং অশোক-অপন থোক্তনবা, মীয়াম্না লম্বী চৎপগী আইন (লো) ঙাক্লমদবগী লৌগদবা ফাইনশিং ইদুনা থেৎলি। কনানসু মৱা লৌবীদে। খল্লি-লম্বীগী চিদাইদা লেপ্পমগদবা সিফাইদুনা নামৈ শেল খরা পীরম্লগা লোইরে। লম্বীগী য়েৎ-ওয়, খোঙনা চৎনবা শেম্লিবা লম্বী (ফুট পাথ) শিং, মীয়াম্না খল্লি- মনা-মশিং য়োনফম শেম্বীরম্বনি/দুকান চাউথোক্লফমনি/পোৎ-চৈ-গাড়ীনচিংবা থম্ফমনি, শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবদা কনামত্তনা করিমত্তা হায়রক্লোই, লো-ঙাক্লবা লৈরিবশিং শেলনা জগোয় শারকপদা মখূৎ তুংবুন্নখিনি। নোংমা উরিপোক-কাংচুপ রোদ দুকান পরিং, ফুট-পাথ (খোঙ লম্বী) দা পৈরম্বা দুকানগী য়োন্নবা পোৎ-চৈ, মথৌ খঙবা পুলিস ওফিসর অমনা শঙলগা লৌথোকহনবা, শঙতপ ওইনা তপথোরকপদু লৌথোকহনবগী পাউ অমদি ফোটোগ্রাফশিং পাউচেশিংদা থেংনখি। মদুনা পাড়া ওইদুনা অতৈ লম্বীশিংদা দুকান ফম্লিবশিংগী পোৎ-চৈ-শঙতপশিং লৌথোক্লখ্রগনি - খনখিবনি ৱাখলসিদা। নীনি হুমনি লৈরগা চৎন-চৎনা য়েংলুববু-উরিপোক্কী দুকানশিং হান্নই ফীভমদুমক্তদা লৈরম্মী। ইম্ফালগী অতৈ কৈথেল-মচাশিংদসু দৃশ্য অসি চপ মান্নে-খোঙ লম্বী অমত্তদা খোঙনা মী চৎলম্বা থেংনরোই। খোঙ-লম্বী খুদিংমক, লম্বী চৎপশিংনা খল্লি- 'ইচুম তাফম (নল্লা) শিংগী মখূমনি'...'মখূম (লম্বী) দুগা হেক তাইননা, ফুট অমফাওবা লাপ্পদনা শানরিবা য়ূমদুগী শিড়ী-থাক কাফমনি' ... 'ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং চেন্নবা/থৌনবা শেম্লিবা লম্বীশিংদুগী ওইথংবা চিদাইদুনা গাড়ী খামফম (পার্কিং) নি, মদুগা হেক তাইনবদুনা খোঙনা চৎপা মীশিংগীনি, ময়ায় থংবা শরুক্তুনা গাড়ীশিংগী চৎফমনি'...।

'সিনা লম্বী চৎপা মীশিংদুগী ৱাখলনি। লম্বীগী নাক-য়েত্তা খুন্দারিবা মীয়ামসিগী ৱাখলনা অমনি...'লম্বী শেম্বা গভর্ণমেন্টকী মথৌনি, প্রজা ঐখোয়না শীজিন্ননীংবা মওংদা শীজিন্নবা য়াই, টোটি পাইপ ফুম্নবা নৎত্রগা ঈশিং-ঈথৈ ওইনবা তৌখায়নীংবা মতমদা তৌখায়বা য়াই'... 'থীংনীংবা মফমদা, নীংলকপা মতমদা লম্বী তঙ্খায় থিংলগা ঈশৈ-নোংমাই, হরাও-কুম্মৈ তৌবা য়াই' ... 'শুমাং থেল্লোং লৈতবগী ৱানীংঙাই লৈতে, লুহোং-কৈহোং, নাহুৎ-নারেং, লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম লম্বী থিংলগা তৌগনি'...। লম্বী থৎলগা/থিংলগা, কোয়লাস মথক্তা নুমিৎ মঙানি শান্ন-খোৎনবই থবক (স্পোর্টস) তৌবা, মণিপুর নত্তবা মালেমগী মফম অমত্তদা থেংনরোই। মীয়ামগী লূপ অমনা ৱাথোক অমা নৎত্রগা অমগী ৱাহৌদা লম্বী হেক্তা থিংবা য়াই, বন্দ-ব্লোকেদ তৌবা য়াই, গাড়ী মৈ থাবা য়াই, মীয়ামগী লন মাঙহনবা য়াই। মরাল লৈবা/লৈতবা, নুংশিদবা মীশক অমবু মীয়াম চঙদুনা হাৎল'দি কনামত্তা চৈরাক ফংলোই। অদুবু কৌই 'মোব জষ্টিশ'। আইন'না য়াদবা আইন!

গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদা থবক তৌবা দাক্তরশিং, মরন্নাই য়ূমদা লায়েংদুনা নৎত্রগা প্রাইভেট হোস্পিটালদা প্রাক্টিশ তৌদুনা অহেনবা শেল তানবা - লো'না য়াদে। অদুবু আইন'না য়াদবা থবকসি তৌদবা দাক্তর অদুদি মীনা ইকায়খুম্নবীদবা, অনাবনা থাজবীদ্রবা দাক্তরনি খন্নে। মশাগী হোস্পিটালদা মথৌ তৌবা শংদবা, ময়ূমদা লাকপা অনাবশিং লাক্লরিঙৈ, তোঙান-তোঙানবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগী এক্সত্রা এনগেজমেন্ট শোয়দনবা হোৎনরিঙৈ, লায়রবা অনাবশিংগী ৱাকৎ তাবা শংদবা দাক্তরশিং অদুবুনি মীনা খ্বাইদই ইকায়খুম্নবা, অনাবশিংনসু থাজবা দাক্তর! মীয়ামগী ওইবা প্রোপর্টি-লম্বী-থোং-বিল্ডিংশিং শাবদদি চহী ফাদনা কিন্থগনবা, মীনা থীনা ঙাঙনখিনি হায়বই ইকায়বা খঙদবা, মশাগী ময়ূম শাবদদি অদুক্কী মতিক চঙখোনবা ইঞ্জিনিয়রশিং অদুসু 'সাহেব তাইটল'না মাঙওইনরগা মিঙ্গৌনরিবা লমদমনি। লুপা চাম্মা চঙনা শাগদবা য়ূম/বিল্ডিং, লম্বী-থোং মিনিষ্টরগী, লোকল এম এল এগী, নহারোল লালহৌবগী, ইঞ্জিনিয়র-এস ও-দিলিংগী স্যের, থিকাদারগী মার্জিন খাইদোকখ্রগা লুপা কুন-কুম্ব্রা য়ৌনা থবক্তুদা থাদবা ঙমদে হায়বসি ইফোং ফোংনা ঙাঙনরিবা, অঙকপা লমদম অমনি - ঐগী নুংশিরবা ঈরৈপাক। ইচা-ইশু থাজনবা অফবা নুপা থিবদা 'মানা ফংলিবা তোলোপতুদি কৈসু নত্তে শেল্লেমনি, অচারম য়াম্না ফংমাল্লে' হায়বসি নুপীশিংনা পামজনা হায়নবা ক্রাইটরিয়া অমনি। গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট পূম্নমক্তা অমা নত্তে, অনী নত্তে, পূম্নমক্তা তৌফম থোক্লবা মথৌদু মতম চানা তৌরক্তবগী ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎপীরুচো, অদোমগা মায় চাননবা, মমায় হাইগৎহন্নবগীদমক্তা, থবক ওইবা ওইদবা, ৱাকৎ অদু তাহন্নবগীদমক্তা চাউরপ তৌবা দিনোমিনেসনগী করেন্সি খরগা খূৎলান্নরুবা তঙায়ফদে। পূম্নমক্লা খঙই - ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী জোব (থবক) খুদিংমক্কী অরেপ্পা মমল (ফিক্স-প্রাইস) অমমম লৈ। মন্ত্রিক্লরগা লৈবা তায়, ব্রোকর অমগী খূত্থাংদা। ব্রোকরদুদি অতৈ কনা নত্তে 'কন্সর্ন মিনিষ্টর' অদুনি। অতৈ, রুল্লিং-পার্টিগী এম এল এশিং অমদি নক্লবা ৱার্করশিং অদুনা 'সব এজেন্ট'!

হুরানবা, মীহাৎপা, রেপিষ্ট অমত্তা চৈরাক পীবা ঙমদবা লম; পুলিস দিপার্টমেন্টকী কষ্টদিদগী নোংমৈ ময়াম মাঙখিবা - কনা চেন্নে খঙলবসু কনামত্তদা চৈরাক পীবা ঙমদবা অঙম্বা; পুলিসশিংবু স্মার্ট ওইহন্নবা, মখ্বাংদা ফানবা পেটিদুবু সন্থি-চে'না শারগা সপ্লাই তৌরম্বা ওফিসর কনানো খঙলবসু হুরানবা-ওফিসরদুগী মমিং হায়দোকচবা ঙমদবা দিপার্টমেন্ট; এয়রপোর্ট'তা য়াম্লবা দ্রগ-ময়াম অমা ফারগা পুলিস দিপার্টমেন্ট'তা শিন্নরুবা পুলিস ওফিসরগী মথক্তা এক্সন লৌরগা, হুরানবা-স্মগলরদুবু কনখৎপা গভর্ণমেন্ট... পূম্নমকসি নীংশিংলুরগা খল্লকই - লৈবাকসিদা লো লৈহন্দ্রিবসিদি গভর্ণমেন্টননিদনা! খঙদে- ৱাফম অসি হায়রুবগী ঐবু ফাবা লাক্কদ্রা?

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপদা সাপোন শীজিন্নবনা অসুক য়াম্না কান্নরিবগী মরম করিগীনো?

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্ল বগীদমক খ্বাইদগী কান্নবা পান্থৈশিংগী মনুংদা সাপোন শীজিন্নবা হায়বসিসু অমনি। কোরোনাভাইরস অসি ফেট্টি লেয়র অমনা কূপশিল্লি। হায়রিবা ফেট্টি লেয়র অসি সাপোননা মাঙহল্লি। তৌবতবু খূৎ হাম্বা মতমদদি কাঙলোন চুম্না হাম্বা মথৌ তাই।

কোভিদ-১৯গী মতাংদা হকশেলগা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা খ্বাইদগী তোয়না পীবা পাউজেলশিংগী মনুংদা অমা হায়রগদি হকচাং লূ-নান্না লৈবগী তঙাইফদবগী মতাংদনি।

সাপোন শীজিন্নদুনা খূৎ হাম্বা হায়বসিনা কোরোনাভাইরস খক নত্তনা ভাইরস খুদিংমক্তগী ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী লায়বা অমদি খ্বাইদগী ইফেক্টিব ওইবা পান্থৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি।

অদুবু মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংদি ঐখোয়না নুংতিগী শীজিন্নবা ইচম চম্বা, য়াম্না লায়নসু ফংবা পোৎশক অসিনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা অসুক য়াম্না কান্নরিবা অসি করিগীনো হায়বা অসিনি।




ৱাহং অসিগী পাউখুম ওষ্ট্রেলিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু সাউথ ৱেল্সকী স্কুল ওফ কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর পাল্লি থোরদার্সননা পীখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈনবা মোলিক্যুলর কেমিষ্ট্রিশিং মহাক্লা ত্বিটরদা থাদোরকখ্রে।

**থোরদার্সননা শন্দোক্লা তাক্লি মদুদি ভাইরসশিং অসি পোৎলম অহুম্না শাই, মখোয়শিং অদুদি:**

- ন্যুক্লিক এসিদ জিনোম অমা (মখোয়গী জিনেটিক মেটরিএল: দি এন এ নৎত্রগা আর এন এ)

- প্রোটিন, মসিনা ন্যুক্লিক এসিদপু কোয়শিল্লি অমদি হোষ্ট ওইরিবা হকচাং অদুগী মনুংদা ভাইরেল রেপ্লিকেসন তৌবদা মতেং পাংই।

- লিপিদশিংগী মপাল থংবা ফেট্টি লেয়র অমা হায়রিবা অহুম অসিনি।

হায়রিবা কম্পোনেন্ট অহুম অসিগী মরক্তা লৈনরিবা কন্নেক্সনশিং অদুনা ভাইরস অদুগী ষ্ট্রকচর শেম্মী। অদুবু হায়রিবা কন্নেক্সনশিং অসি য়াম্না শোল্লি। ষ্টেবল ওইবা ষ্ট্রকচর অমা লৈহন্নবগীদমক কোভেলেন্ট বোন্দ য়াওদে।

মসিগী মহুত্তা ভাইরেল সেল্ফ-এসেমল্লি অসি প্রোটিনশিং, আর এন এ অমদি লিপিদশিংগী মরক্তা লৈবা য়াম্না 'নোন-কোভেলেন্ট' ইন্টরেক্সনশিংদা য়ুম্ফম ওই। হায়রিবা থৌওংশিং অসিনা পুল্লগা ভেলক্রো অমা ওইনা এক্ট তৌই, মরম অদুনা সেল্ফ-এসেমবল্ড ভাইরেল পার্টিকল অসি থুগায়বদা য়াম্না ৱানা থোকই।

অদুবু হায়রিবা পার্টিকল অসি সাপোননদি থুগায়বা ঙম্মী। সাপোন অসি অককনা ভাইরসপু কোয়শিল্লিবা লিপিদ লেয়র দিজে াল্ব তৌবা ঙম্মী। সাপোননা ভাইরস মনুংদা য়াওরিবা অশোনবা বোন্দশিংবুসু লোয়না থুগায়বা ঙম্মী। মরম অদুনা ভাইরস অদু মথন্নতা কায়জখি।

খূৎ হাম্বা মতমদা ঈশিংখক্তং শীজিন্নদুনা হাম্বনদি ভাইরসশিং অদু উনশাগী মপান থংবা লৈমায়দগী তাহনখিবা ঙমদে।

সাপোনদা এফিফাইলস কৌবা ফেট মানবা কম্পাউন্দশিং য়াওই, মখোয় অসি ভাইরসকী মেম্ব্রেনদা য়াওবা লিপিদশিংগা মান্নে।

হায়রিবা ভাইরসকী ফেট্টি সবষ্টেন্সশিং অসিগা সাপোনগা থেংনবা মতমদা অনী অদু মথন্নদা পুনশিন্নখি অমদি ভাইরসতগী তোঙান্না তাহল্লকই। মসিনা ভাইরস অদুবু উনশাদা নপশিন্দুনা লৈবা ঙমহন্দে।

হায়রিবা কান্নবা অসি ফংনবগীদমক খূৎ হাম্বা মতমদা য়াম্না কাঙলোন চুম্না হাম্বা তাই। মরম অসি লৈবনা খূৎ হাম্বা মতমদা য়ামদ্রবদা সেকেন্দ ২০ দগী তাদনা চঙহন্দুনা নিংথিনা হামগদবনি হায়না পাউতাক পীরিবনি।

ঐখোয়গী উনশা অসি ফনা য়াম্না নাল্লবসু নৎত্রগা থোৎলবসু, ভাইরস অমনা চাউবগী চাংদা চিংশিন্দুনা য়েংলবদি ময়ি-ময়ি নাই, লৈতেম মান্নদে অমদি অকুৎ-অতোং কয়া অমা লৈ। হায়রিবা উনশাগী মকুৎ-মতোঙশিং অসিদা ভাইরসনা নপশিন্দুনা লৈ অমদি মকোন শাজিল্লি, মরম অসিনা মখোয়বু লৌথোকখিনবগীদমক খূৎ হাম্বা মতৌ তারিবনি।

অলকোহোল বেজ জেলগুম্বা অতৈ পোৎলমশিং শীজিন্নবনসু কান্নবা ফংই। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি অলকোহোলগী চাং চাদা ৬০ দগীনা ৮০ ফাওবা য়াওবা ওইগদবনি, মসিতদা ভাইরসশিং লৌথোকখিবা ঙম্মী। অদুবু হায়রিবা পোৎলমশিং অদুদা য়াওরিবা এন্টিবেক্টেরিয়ল প্রোপর্টিশিং অদুনদি ভাইরসশিং হাৎপদা করিসু চন্নফম লৈতে।

# কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চসাদ খুলদা থোকখিবা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই : এম এন পি এফ

ইম্ফাল, মার্চ ১৭: কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চসাদ খুলদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু অকনবা মওংদা মণিপুর নাগা পিলপস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ)না কন্দেম তৌই হায়না এম এন পি এফকী সেক্রেটরি পল্লিসিটি থোমাস ন্যুমাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখিবা মীয়াম অমসুং মৈ চাকখ্রবা য়ুমশিংগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা এম এন পি এফনা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি। চাউখৎপদা খম-থেংলবা মালেম অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকপসি ৱাখলদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওবগা লোয়ননা মালেমগী মমাঙদা য়াম্না ঈকায়নিংঙাই ওইবা মশকনি। থৌদোক অসি কুমজা ১৯৯১-১৯৯৩দা থোকখিবা কুকি-নাগা ইথনিক ক্লাসনা কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা ফজনা রিকন্সিলিএসন তৌহৌদবদগী হন্না অমুক চাক্লকপা মৈনি। নীংথিনা রিকন্সিলিএসন তৌরম্লবদি ঙরাংগী অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোক্লমদবা য়াই। মণিপুরদা মমাংঙৈদগী নুংশি-চান্ননা খুন্দামিন্নরক্লবা কাঙলুপ খুদিংমক কৈদৌঙৈদসু কায়নবা য়ারোই। তাইবং শেম্বা মপুনা ঐখোয়না পীরিবা ৱাখল লৌশিং অসিবু অচুম্বা লম্বীদা শীজিন্নদুনা নুংশি-চান্নবা, নুংঙাই-য়াইফবা অমদি লিংজেল মান্নবা মণিপুর অমা শেমগৎমিন্নসি। নুংশিরবা চসাদ খুল অমসুং কামজোং এরিয়াদা খুন্দারিবা ইচিল-ইনাও ময়ামসু তাইবং শেম্বা মপুনা ঐখোয়দা তাকপীবা পাউতাক কয়া শীজিন্নদুনা করম্না নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নগদগে হায়বদু থিদোক্তুনা অথুবদা রিকন্সিলিএসন প্রোগ্রাম তৌদুনা নুংঙাইনা পানবা ওইবীয়ু। মণিপুরদা নীংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী খুন্দামিন্নরক্লিবা কাঙলুপচাশিংনা হৌখিবা মতমদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা শাউনখিবা অমদি অশোয়-অরান য়াওনখিবা কয়া লৈখ্রবসু অমনা অমবু ঙাক্লদুনা রিকন্সিলিএসন তৌনদুনা চাউখৎ লম্বীদা খুম্মাং য়াংশিন্না হিংমিন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

ঐখোয় মশেল নুংশিননা অমদি লিংজেল মান্ননা হিংমিন্নবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয় ইমা লৈবাক মণিপুর অসি শেমগৎসি হায়না আপিল তৌরি। তাইবং শেম্বা মপুনা মীয়াম্বু থৌজাল পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী থৌদোক্তা অৱাবা তারবশিংদা লৈঙাক্না রিলিফ মেটরিএলশিং পীবীয়ু : ফোরম

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী থৌদোক্তা অৱাবা তারবশিংগীদমক লৈঙাক্লা রিলিফ মেটরিএলশিং অথুবদা পীবীয়ু হায়না য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ ফজতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কামজোংদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা য়ুম ১৫০ রোম মৈনা চাকখ্রে। পাউ অসি তাবদা ফোরম অসিনা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। য়ুম মৈ চাকখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া ময়ুম লৈতবদগী অৱাবা ফীভম অমদা লৈরি। মনাক নকপা মফম কয়াদা ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অসিনা ৱানা হিংলিবা অসি য়েংশিনবীবা চঙই। নুপী অমসুং অঙাংশিং নীংথিনা য়েংবীবা তঙাইফদে। য়ুম ১৫০ মৈনা চাকপা হায়বসি প্লান্নিং অমা য়াওদনা ওইথোক্লোই। মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অৱাবা তারবশিংদা রিলিফ মেটরিএলশিং অথুবদা পীবীয়ু। শেৎন-চানবা ফিরোল, চীঞ্জাক অমদি হিদাক-লাংথক্কী পোৎলমশিং অথুবদা য়ৌহন্দুনা অৱাবা তারিবা মীয়াম অসিগী মতেং পাংফম থোকই।

নুপী-অঙাংশিংদি হেন্না ৱাবা ফীভম অমদা লৈরিবনি। লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুবা চুমগনি। হ্যুমেন রাইটস ইন্সপেক্ট এসেসমেন্ট অথুবদা তৌবা তঙাইফদে। ভাইওলেন্স অসিগী হৌরকফম অদু থিদোকপা তঙাইফদে। মসিদা কনা-কনা চেন্নে হায়বদু খঙদোকপা চঙই। ঙরাং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা অৱাবা থৌদোক অদুদা য়ুম ১৫০গী ময়াদা মৈ চাকপা হায়বসি মীওই কয়া অমা হৌজিক য়াম্না অৱাবা ফীভমদা লৈরমগনি। ময়ুম-মকৈ মৈনা চাকখ্রবা মীওইশিং অসিগী অৱাবা য়েংলগা লৈঙাক্লা অথুবদা চপ চাবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎফম থোকই হায়নসু য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## কোরোনাভাইরসকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎসি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):

কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎসি হায়না মণিপুরী মৈতৈ এসোসিএসন, বেঙ্গালোরগী প্রসিদেন্ট অমদি জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বেঙ্গালোরদা য়াওশং থাবল শীন্নবা থৌরাং তৌরম্বা অদুসু কোভিদ-১৯গী পেন্দেমিক অসি য়েংলগা য়েথোকখি। বেঙ্গালুরুদা কোরোনাভাইরসকী কেস কনফার্ম তৌদুনা লৈরিবনি। মফম অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অমদি মীয়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎসি। মণিপুরী মীতৈ এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎনবা মীৎয়েং থল্লি। মী পুনবা থৌরমশিং পাঙথোক্লমসি হায়রি।

# সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোক্তা অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা টি এন কে ভিলেজদা থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোক্কী থৌদোক্তা অৱাবা তারবশিংদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগী চান-থক্লবা পোৎলম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন ডা. ৱাই মোহেননা লুচিংবা টিম অমনা সেনাপতিদা চৎতুনা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অৱাবা তারবশিং উনবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং কয়া পাংখি। থা অসিগী ১৪ দা দি লোলিগী য়ুম অদু মৈনা চাকখিবনি। ইমুং অদুগী মীওইশিং থবক শুবা চৎথোক্লিঙৈদা য়ুম মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মৈ চাকখিবা অদুদা লুপা লাখ ১০ রোমগী য়াওরমগনি হায়না পারি। ইমুং অদুগী মীওইশিং থবক শুবা চৎথোক্লখিবনা মরম ওইরগা অশোক-অপনদি য়াওহৌদ্রে। থা অসিগী ১৩গী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

আই আর সী এস সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা মতম খরগী ওইনা লৈনবা টেন্ট অমা খল্লগা শেম-শাদুনা লৈরি। আই আর সী এস ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগী চেঙ, হৱাই, আলুনচিংবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখি। কিটচন সেট অনী, কাংখল ১০, ব্লাঙ্কেট ৬ সু মতেং ওইনা পীখি। মতেং খুৎশিন্নবা চৎপা অদুদা আই আর সী এস সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি বেঞ্জামিন তাওসু শরুক য়াখি। ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা মতেং পাংলকখিবা অসিগীদমক দি লোলিনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগসু উনদুনা অৱা-নুংঙাইগী ৱারী শানখি।

থা অসিগী ১৪দা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চ্যেরমেন ডা. ৱাই মোহেননা লুচিংবা টিম অমনা মফম অদুদা চৎতুনা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি। য়ুম মৈ চাকপগী লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। আই আর সী এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমদি আই আর সী এস ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী থৌ পুবা কয়াসু খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখি।

মৈ চাকখিবা অদুদা ইমুং-মনুংগী শীজিন্ননবা পোৎলমশিং লোইনা য়াওখিবনা মরম ওইরগা ইমুং অদুগী মীওইশিং হৌজিক অৱাবা ফীভম অমদা লৈরি। অৱাবা ফীভম অসি য়েংলগা মতেং পাংখিবনি। আই আর সী এসকী টিমনা অসিগুম্বা তেংবাং অসি লেপ্তুনা চথুদুনা লাক্লি হায়নসু আই আর সী এস মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৩।২০২০ ইং, য়ূমশকৈশা; লমতাগী ২৫নি পানবা।

**মেষ :** মরুপ-মপাংগা মরী ফবা ৱাৎপা অমদি লাইবক ফবা ৱাৎলসু থৌনা ফবনা নথক থোংবনা চানগনি অমদি হকচাং নুংঙাইগনি। ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**বৃষ :** পূক্লিং ঈংনা থৌ পাংবদি শোয়দনা মায় পাকনীংঙাই ওই। ঙাঙবা শকপা হৈবনা মায় পাক্লবগী মরমসু ওই। য়েৎনবা অমদি অখঙ-অহৈ শাবদি অঙম্বগা মুক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি মরুপ-মপাংগা মরী ফবা ৱাৎলসু নীংবা থুংগনি, নচাক-নরল চাওখৎনবা হোৎনবা শোয়দনা মায় পাক্কনি। অচুম্বনা পাঙ্গলনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কর্কট :** অঙম্বগা মুক্লবদি শক-চু থোক্তবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং মাঙবা ওইগনি। মরুপ-মপাং লোয়নবদি শেল-থুম ফাওবা ফংজদুনা নুংঙাইজগনি। থৌনাদি হনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** মতম মাঙনীংঙাই ওই অদুনা ঙমলোইদবা থবক্তা হোয়া ফগনু অমদি চিন য়াংগনু। য়েৎনরম্বদি কোক্কনি, ইমুং-মনুং ৱা তানবসু কান্নগনি, লৌশিংনা পাঙ্গলনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ চেকশিল্লু-চোপ্তনবা।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** মরুপ-মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি অদুনা নাইতোম থৌ পাংবা ফৈ। ৱানোম থৌনোম কান্নরোই, মহু চাউবনা থবক্তা তাথীগনি। অথেংবদা খিত্তং কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌরদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** হকচাং নুংঙাইবা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা নুমিৎনি। অদুবু শেল-থুম ফংলনি, মীনা লাকচবা ঙমলোই অমদি লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**বৃশ্চিক :** নকন্থিনা নরল মাঙহনবা য়াবা লৈ অদুনা হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলসু পূক্লিং ফাথবা মথৌ তাগনি। অমরোমদা ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইবা, শেল ফংবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** হরাওবা-নুংঙাইবা, লল্লোনবদা শেন্দোং চাউনা ফংবা ঙসিসু লৈগনি। অনৌবা থবক পাংবদা শোয়দনা মায় পাক্কদবসু লৈ। মীনা ইনশিনবদি লৌদবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** মীনা লাকচবা ঙমলোই, খুদক্কী ৱারেপ লৌবা য়াগনি অমদি থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি। নহৈ/নচা ননাইগী লম্‌দা মায় পাক্কনি। অখঙবদি শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্ভ :** শেল-থুমগী থবক্তা মায় পাক্কনি, মীয়াম পূনবদসু কান্নবা ফংগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি থৌনা ফুদোকপা য়াগনি। অদুবু নাপল তৌরদি খৎনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** নচা-ননাই চাওখৎপা, লাইবক ফবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। অফবা মীংচৎ ফংগনি অমদি থবক থৌরম খরসু শিন্দোকপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## মপোক কুমওন

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):

মৈতৈ কাউন্সীল মোরেগী ২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ১২ দা পাঙথোকখ্রে।

মপোক কুমওন থৌরমগা লোয়ননা য়াওশং স্পোর্টস মীটকী মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দি সী, এম রাজকুমার, এস পি বিক্রমজিৎ, ৪৩শুবা এ আরগী কম্মান্দেন্ট সুমিট অমদি মৈতৈ কাউন্সীল মোরেগী প্রসিদেন্ট এম থোইবসু শরুক য়াখি। মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি। য়াওশং স্পোর্টসকী মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি হায়রি।

# ষ্টেট লেভেল বেসিক স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোচিং কোর্স অমা এম এম টি এগী রোক ৱালদা হৌদোকখ্রে


ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস):

এম এম টি এ অমদি মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন নোর্থ ইষ্ট জোননা শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল বেসিক স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোচিং কোর্স হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন নোর্থ ইষ্ট জোন, হেদ ওফিস ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোর্স অসি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা স্পোন্সর তৌবনি। কোর্স অসি ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসনগী সিনিয়র মেম্বর য়াম্বেম লাবনা মিনুথোংদা লৈবা কংলা রোক ৱাল, এম এম টি এদা হৌদোকখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়রিং ফাউন্দেসন নোর্থ ইষ্ট জোনগী চ্যেরপর্সন জি অনিতা পদ্মশ্রীনা প্রিসাইদ তৌখি। পার্টিসিপেন্ট ১৫০ রোম্না ষ্টেট লেভেল বেসিক স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোচিং কোর্স অসিদা শরুক য়ারি। পার্টিসিপেন্টশিংদা ক্লাইম্বিংগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ক্লাসশিং পীরি। মসিগী মনুংদা বৌল্ডরিং, স্পীদ ক্লাইম্বিং, লিদ ক্লাইম্বিং, রোপ নোট ক্লাস অসিনচিংবা য়াওরি। কেম্প অসি মপুং ওইনা ক্লাইম্বিংগী মতাংদা হৈ-শিংবা হেনগৎহন্নবা অমদি স্পোর্টসমেনশিপকী স্পীরিটকা লোয়ননা থকশি-খাশি লৈনবা মীৎয়েংগা লোয়ননা চঙশিনবনি। কনফিদেন্স অমদি কোওপরেসন লোয়ননা থকশি-খাশিগা মরী লৈননা স্পোর্ট ক্লাইম্বিংগী লম অসিদা নীংথিনা চৎপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা পায়খৎলকপা খোঙথাং অমনি। হৌদোকপগী থৌরমদা লমদম অসিগী মশক নাইরবা অমদি ক্লাইম্বিংগী লমদা খঙ-হৈরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ꯄꯤ ꯑꯦꯆ ꯗꯤ/Ph. D Degree Awarded



Mr. Gangam Malangmei S/o Mr. Lumlougai Malangmei and Mrs. Buinailiu Panmei Malangmeipui of Duithanjang, Goitang Village, Khoupum Sub-Division, Noney-District has been awarded Degree of Doctor of Philosophy (Ph. D) in Social Work, vide order No. IGNTU/Exam/036/2020 Dated : 18.02.2020 by Indira Gandhi National Tribal University Amarkantak for his thesis entitled ***"A Study of Human Rights Movement in Manipur".*** He worked under the guidance of Dr. H. Shukhdeba Sharma, Head (I/C) Department of social work, Indira Gandhi National Tribal University-Regional Campus Manipur. He is the first Ph. D scholar to be conferred the degree of Doctor of Philosophy from Indira Gandhi National Tribal University-Regional Campus Manipur. He has cleared the UGC-NET exam in the year 2013. Currently he is serving as an Assistant Sub-Inspector in Manipur Police Department.

*Sd/-* **Dinbung Malangmei**
**President**
**Malangmei Kaikhuang Assn. Manipur & Nagaland**

HL-P/6617/18